# হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, মে ৩১, ২০২১, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ৬৫শুবা মশীং


## ওফিসলশিং লান্না শীজিন্নবা

### কোক্লরোইদৌবা লায়নানি হায়দুনা লায়েংলগুমসিরা?

অকক্লবা লোইশঙ অমা-অমগী ৱাফম নত্তনা লোয়শঙ অয়াম্বগী পিওন/চৌকিদারদগীনা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ওফিসর ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা লোয়শঙগী থৌমীশিংবু হেক-হেক লান্না শীজিন্নবীবগী ফৎখিদ্রবা চৎনবীসিবু কোক্লরোইদৌবা লায়নানি, অনাবনি হায়দুনা লায়েংলগুমসি হায়রিব্রা? ইপা শিখিবদি নুংঙাইতবা লৈতে, লাইকোই চাকখিবদুদি পেনখ্রেদা হায়দুনা লৈথোক্লসিরা? ৱাহংশিংসি হংদবা য়ারক্তবদগী চোংথোরক্লিবনি। ৱাহংসিগী কন্সিক্বেন্স অমসুং সর্কমষ্টেনন্সেস পীক থন্না লৈ। মসিনা মরম ওইদুনা থোরক্লিবনি। লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোয়শঙ অমগী ষ্টাফ/এমপ্লোয়ীশিংবু মখোয়না গভর্ণমেন্টকী পব্লিক সর্ভেন্ট অমা ওইবগী লৈজরিবা, দিসচার্জ তৌগদৌরিবা মথৌদাংশিং (দ্যুটি অমসুং ফঙ্কসন) শিং অদুদগী হেন্দোকহল্লক্তুনা মথক থোংবা অঙন্বশিংনা শীজিন্নবিবগী থৌওংসি অনৌবদি নত্তে। লোয়শঙগী থৌমী অমা ওইবগী হৌনবা মঙোন্দা পীরিবা, মহাক্না তৌবা য়াবা অমসুং য়াদবা (দুজ এন্দ দোন্টস) শিংদুগী পল নমখায়দুনা অঙন্বদুনা পাম্বা মওংদা থবক তৌহনবনি, শীজিন্নবীবনি। মসিদি মতম কুইনদগী নারক্লবা তমথীরবা লায়নানি। লায়নাসি মণিপুরখক্তদা নত্তে। লৈবাকসিগী মফম পুম্নমক্তসু কুম লায়না ওইনা লৈরকপগী পাউসু তাই। অদু ওইরগদি ফৎখিদ্রবা লায়নাসিগী হৌরকফম, নাহল্লক্লিবগী মরমশিংগী মনুংদা চহী লিশাং শিংনা চৎনরক্লিবা লৈঙাক্লোনসিগী মওংসিনা ওইগদৌরিব্রা? নৎত্রগা ষ্টাফ/ওফিসল অমবু লান্না, অরানবা লম্বীদা শীজিন্নবিরিবা মহাক্কী মথক্তা লৈবা অঙন্বশিংদুগী মরন্নাই কান্নবা, ওইজ-ওইথকশিং ফংনবগীদমক্তা ওইগদৌরিব্রা? অনীসি নত্তবা অতৈ মরমশিংসু শোয়দনা লৈগনি। হায়বদি মরমশিং লৈত্রগদি নারকফম থোক্তবা লায়নাসি অসুক কুইনা হিংদুনা লৈবা ঙল্লোই। হৌজিক ফাওবদা লায়নাসিবু নাহল্লিবা মহীকশিং মপাঙ্গল য়াম্না কল্লি। লায়নাসিনা নারকহল্লবা লোয়শঙগী থৌমীশিংদা মসিগী সিম্পটোমশিং উৎলকপা উরি। উবদা, তাবদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদৌশিংসি লোয়শঙ অমগী ওফিসর, হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট অমনা মখা থাবা ষ্টাফশিংদা তৌহনবনি। হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট অদুবুনা অমুক মহাক্কী মথক্তা লৈবা অঙন্বশিংনা অমুক মখোয়গী অপান্বশিং তৌহনবনি। হুমদুনা পুবনি। মদুদা য়াদ্রগনা পনিসমেন্ট পোষ্টিং, মসিদগী হেন্দোরক্লগনা ‘কম্পলসরি ৱেট’ হায়বা লোন্দা পুদাগা পুথোরক্তুনা থবক অমত্তা খূৎশিন্নদনা থম্বগী থৌদোকশিংসু থোক্লিবনি।

অদুবু, খ্বাইদগী ঙক্লিবদি ফৎখিদ্রবা লায়নাসিগী মহীকশিংসি ইলেক্সন মতম নকশিল্লকপা তাঞ্জাদনা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলকপগুম তৌই। মথি হেন্না ফোংলকই। মসা-মরেং ফন্দোক্তুনা ফোংনা মীৎমাংদা মরেং-মরেং চৎলকই। মসিগী খুদম চাংদম ৱাৎতে, কোকথোং অমা লৈ। অদুবু লোইনমক কোৎথোক্লুদনা অমা খক্তমক পল্লদা মে ২৬, ২০২১দা মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়ামগীদমক্তনি হায়দুনা লৈরিবা মোইরাং কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (এম কে দি সী) গী সেক্রেটরিনি হায়বা মীওই অমনা মীদিয়াদা মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এনা মহাক্কী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দ (এল এ দি এফ) কী শেনফম মিসএপ্রোপিএসন তৌরে হায়দুনা ফোঙদোকখি। মোইরাং ফিলেম লৈকায়দা লৈবা কম্মিটিসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অদুদা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মায়োক্লবগীদমক এম এল এদা পীরকখিবা শেনফম ফাউবা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদ্রে হায়দুনা ফোঙদোকখি। কম্মিটিগী সেক্রেটরিগী ৱাফমশিংদু মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পুথোক্তুনা মদুদা য়ূম্ফম ওইরগা হায়খিবনি। অদুবু মহাক্কী মায়োক্তা কমপ্লেন্ট এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌরক্লে হায়দুনা মীওইদুগী মথক্তা রেগ্যুলর এফ আই আর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা মহাকপু মোইরাং পুলিসনা ফাখি। চুম্না ফাবা খক্কী ৱাফম নত্তনা ‘এম এল এনা মহাক্কী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দ লান্না শীজিন্নরে’ হায়রুই হায়বা ৱাফমসিবু ‘সিদিসিউস ওই’ হায়দুনা মহাকপু ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০ বিগী মখাদা বুক তৌখি। ষন্থি-ষণয়ুংনা য়ারোই, সাইন্টিষ্টকী মথৌনি হায়রুবা ফাউবা নেসনল সিক্যুরিটি এক্ট (এন এস এ) গী মখাদা ফাজিল্লগা জেলদা থমজিনবগী থৌদোক ফাওবা থোক্লিবসি য়েংলুরগদি শেল লান্না শীজিন্নরে হায়রুবদা সেদিসন এক্ট লামশিন্দুনা ফাজিনবসিদি কৈসু নত্তে। শামু ১০০না ফাওবা পুবা থাংবা ঙল্লোইদৌবা অকনবা এক্ট ময়াম পানবা য়াই। অদুবু এক্টশিংসিনা চেৎনা য়োমশিল্লগা নুমিৎ ৬নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিয়ু হায়দুনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, বিষ্ণুপুরগী কোর্টতা পুথোরকপদদি পুন্দ্রে তুখি। মীওইদুনা কম্মিট তৌবনি হায়দুনা পুলিসনা চার্জ তৌরিবা ময়ামদু নন-বেলেবল ওফেন্স ফাওবা হাপচিল্লক্লবসু কোর্টনা বেলদা থাদোকখি। মদ্বাইদুদদি কুইনদগী নারক্লিবা লায়নাদুগী মথি ফোংলকপনি। মসিগী মহীকশিংদু ফন-ফন চোংথোরকপদু উনখি। থৌওংসি অকক্লবা মফম অমসুং মতমদু খক্তদা থোকখিবসিনা অরোইবসু ওইরোই। ইন্দিপেন্দেন্ট নৎত্রগা ওটোনোমস ওইজবনি হায়রিবা নেসনল লেভেলদা লৈবা দিপার্টমেন্ট/মিনিষ্ট্রি/এজেন্সিশিং ফাওবা লান্না শীজিন্নবগী লায়নাসিনা নাহনবা ঙম্বগী মমি তাবা উনখ্রবনি। অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাহংদি তমথীরবা মহীকশিংনা নাহল্লকপা লায়নানি। মতম কুইনগী মমাঙদগী নারক্লবা কুম লায়নানি হায়দুনা কুম্মৈ ওইনা য়েংদুনা লৈথোক্লসিরা হায়বসিনি। মসিদি চুমদে। নুমিৎনা নোংপোকলোমদগী থোরক্লিবা মখৈ লৈরগদবা মহীকনি হায়দুনা লৈথোক্লোইদবনি। ফৎত্রবা মহীকসিদি থাঙ থারগা লৌথোকহৌগদবনি। মসি ঙমগদবা অঙন্বশিং থোরকপা মথৌ তারি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮

১) চহী য়াঙ্খ্রেগী মমাঙদা অহানবা ওইনা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম উৎখিবদু করম্বা চহীগী করি থাগী তাং কয়াদনো?

২) “দাদা সাহেব ফালকে ভারত সিনেমাগী অপোকপা” হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো?

৩) অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মনি লৌনরিবা “মতমগী মণিপুর” হায়বা ফিল্মসিগী অয়াম্বা শরুক কদায়দা সেট শারগা নমখিবগে?

৪) John Warrington হায়বা BBC গী Correspondent অমনা মণিপুরী ফিল্ম অমবু “সেল্লুলোইদতা ইবা শৈরেং” (Poem on Celluloid) হায়না শীংথাখি। ফিল্মদু করি ফিল্মনো?

৫) “লাইরিক লাইশু কুমজা সাহিত্য-ইতিহাস” হায়বসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩১, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ

ডা. এম থোইথোই সিংহ

**Q.** চুজাক মনা অমসুং ময়োন চাথোকপী তীলনা খুকউ হেন্না ৱাংলবা পাম্বীশিংবু ওন্থোকপা ফীভম ওইনা উরে। করম করম্বা হীদাক শীজিন্নবা য়াবগে হায়বদু খঙজনীংই।

- ইবোমচা, হৈরোক

☞ ওর্গানিক ওইবা *Besiwell* (*Benveria bassiana*) নৎত্রগা Metawell (*Metarhizium anisopliae*) নৎত্রগসু মসিগা মান্নবা অফবা কম্পেনিগী ওইবা য়াই। মিলিলিটর নিফু ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা হাপ্লগা পাম্বীগী ময়োন অমসুং মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি।

কেমিকেল শীজিন্নগদবা ওইরগনা Emamectin benzoate 5% মিলিলিটর মঙা ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা শীজিন্নবা য়াই।

**Q.** হৌখিবা চহীদা শওম্বুং ৱাইরিদা লৈবা আর কে ফিলিপকী ফার্মদা ঐনা কেপসিকম খরা থাজখি। মদু অয়াম্বা তীলনা হুত্তুনা মাঙখি। কুমসিদি করি করম তৌরগা তাহন্দবা য়াগদগে খঙজনীংই।

- দেবেন বাবু, শওম্বুং ৱাইরি

☞ কেপসিকম মপান শাবা মতমদা Melon fly trap হাপ্পীয়ু। হায়রিবা ত্রেপ অসিনা খোঙদ্রুম, মাইরেন, সেবোৎ, কারোট, কারোট অখাবী, তর্ব্বুজ, থবীনচিংবদসু হন চঙদুনা পুমলরোই। মোরোক্তসু হন চঙলরোই। শঙম অমা চাওবা মফমদা ত্রেপ (লাং) মরি হাপ্লগা য়ারে।

**Q.** তীনখাক-তিলাইখোম্বী য়াম্না ইল্লে। য়ূময়াসি পাম্বী খরা য়াম্না হৌবনা ওইগদ্রা হায়দুনা খরমখৈদি শেংদোক্লে। মশীং খরা হন্থরবসু অদুমক লৈরি। হীদাক্কুম্বা অমদি কাপনীংই।

- ইনাওচা, কৈথেলমানবী

☞ Neemwell (3000 ppm) মিলিলিটর মঙা ঈশিং লিটর খুদিংদা য়াল্লগা য়ূমগী অকোয়বদা নত্তনা ইমুংগী মফমশিংদসু কাপথোকপা য়াই।

ইমুংগী মপান্দা শীজিন্নগদবা ওইরবদি Cypermethrin 10% (Guru) ওইনা মিলিলিটর ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা তীলশিং লৈবা মফমদা কাপথোক্কনি।

**Q.** থবী অমসুং ককরী হায়রগা খঙনবা অশাংবা থবী মানবদুসু থাজে, পাল্লে হায়দুনা হরাওনা চারুববু ওন্থোক্লা খাখ্রে। মসিবু করি অশোয়বা লৈবননো?

- মেমচা, হরাওরৌ

☞ থখায় অমগী মমাঙদা হংলকখিবা ৱাহংনি। নোং চুদ্রিঙৈ মমাঙদা। ঙসিদি খাবা হন্থরনি। খারল্লরোই। মহৌশানা থবীগী কাঙবুসি কা হেন্না শাবা, ঈশিং ৱাৎপা মতমদা খায়। ঈশিং চাং নাইনা পীবা মফমনা খাবা হন্থগনি।

থবী মখল খেন্নবদা খাবা মান্নদে। অদুবু ঈশিং চাং নাইনা পীবিয়ু। খোকপা মতমদসু হৈখোকলোম থংবা (Stem end) শরুক্তু ইঞ্চি অমা মখায়দগী তাদনা লৌথোকপীরবা মতুংদা খোকপীয়ু। Cucurbitacine য়াওবগী চাং খেন্নবনা থবী মখল খেন্নবগী মতুংইন্না অখাবগী চাং খেন্নে। হেক্লবা মতুংদা ফ্রিদজদা থম্বসু খাবগী চাং হন্থে।

**Q.** চুজাক মপাল লাক্কদবা খরা ৱাৎলি। অদুবু চুজাক মখোঙশিংদু নাপীনা য়োমদুনা লৈরে। ফোয়হনবদা খুলং য়াম্না চঙগদবনা চুজাক শোকলোইদবা হীদাক কাপনীংই। করম্বা হীদাক্লা ফগদগে? চাংসু খঙজনীংই।

- রাজা, হৈরোক

☞ Basagran (Bentazone 480G/L SL) মিলিলিটর ৫০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা নাপীশিং মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোক্কনি। নাপীশিংদা হীদাক মপূং ফানা নপনবগীদমক Sticker (Silicon base sticker না হেন্না ফৈ) মিলিলিটর মঙাসু হাপহৌগনি। নাপী হীদাক্লা চুজাক্তা পানখ্রবসু চুজাক্তা অকায়বা লৈরোই। শঙম অমা চাউবা চুজাক থারিবা মফমদা হীদাক মিলিলিটর ৪০০ চঙগনি।

**Q.** কোটতা ফৌজুম য়াম্না ইল্লিবসি ফননবা করি তৌগদগে। লৌ শঙম ২-৩ মুক্কী ফৌ থমজবনি, কোট অসি য়ূমগা পুনদে অৱাং শঙ্গোই ওইবা অদুগী মথক্তা থমজবনি, নুংশা মঙাল মরাং কায়না ফংলি, অদুবু য়ূমগী ইমুংগী কাশিংদসু ফৌজুমশিং পাইথোরকপা, অঙাংশিংদা চিকপনচিংবা তৌরকপা অসিদগী ফনবা তাকপীরকউ।

- থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ থৌবাল

☞ ফৌ খরা (মথক থংবা শরুক, ফুট অমমুক্কী) খায়দোক্লগা নুংশাদা কংনা ফৌদোকসি। কোটকী মপান্থংবা শরুকশিংদা Dantotsu গ্রাম অহুম ঈশিং লিটর মঙাদা য়াল্লগা কাপথোকসি। কোট মনুংদা য়েল্লো ত্রেপ (Sticker) অহুম মরি য়ানশিনসি।

ইমুংদা থম্বা কোটতা ফৌজুম লাকপগীদি হৌখিবা ৱাহং পাউখুমদা থমজখ্রে। ঙসিগী specific ওইবা ৱাহংসিগী পাউখুমগদি খরা খেন্নে।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*

[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]

চিঠি থারকফম

এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১

নৎত্রগা

অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল ***hueiyenagri@gmail.com*** দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

## মীয়াম্নদি মিরাইবিরিবা এজোলাগী কান্নবা

- এস সুমঙ্গল -







এজোলা ঈশিংদা তাওদুনা হৌবা কান্নরবা কঙ মখল অমনি। কঙ মখল অসি চাইনা, ভিএটনামনচিংবা লৈবাক্তদি চহী চা কয়াদগী মসিগী কান্নবা অসি খঙনা শীজিন্নদুনা লাক্লবা পোৎলম অমনি। কঙ মখলসিগা লোয়নননা হিংমিন্নবা অনাবেনা এজোলি কৌবা স্যানোবেক্তেরিওম/ব্লু গ্রীন অলগি মখল অমনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিল্লি। কঙ মখল অসি অইংবা লমদমদগীনা অশাবা লম ফাওবদা ফংবা মখলনি। কঙ অসিনা অতেকপা ওইরিঙৈদা মাগী অরূম্বগী চাং চাদা ০.২= ০.৩ নাইট্রোজেন য়াওই। অদুগা অকঙবা ওইরগনা মাগী অরূম্বগী চাদা ৩-৫ নাইট্রোজেন য়াওই।

এজোলা মখল : এজোলা পিন্নাতা হায়রিবা মখল অসি ভেরাইটি মখল অনী লৈ। অমনা পিন্নাতা অদুগা অতোপ্পা অদুনা ইমব্রিকাতা হায়না খঙনৈ। ইমব্রিকাতা অসিদি আফ্রিকা, মদাগাস্কর অমদি ওষ্ট্রেলিয়াদা ফংই। পিন্নাতা মখলশিং অসিনা ইন্দিয়া, জপান, ইন্দোনেসিয়ানচিংবা লৈবাকশিংদা ফংই। লৌউ-শিংউবদা শীজিন্ননবা ওইনা পিন্নাতা অসি ভিএটনাম, চাইনা, থাইলেন্দ, ইন্দিয়া শ্রী লঙ্কানচিংবা লৈবাকশিংদা নিংথিনা থাদুনা হোৎনৈ।

হৌজিক্তি ইন্দিয়াদসু এজোলা মখল ৭ লৈরে। মখোয়শিং অদুদগী - এজোলা ফিলিকুলোইদস অমদি এজোলা রুব্রা অনীসিদি অঙ্গংবা মফমদা থানরে। এজোলা মেক্সিকানা, এ মাইক্রোফিল্লা, এ কোরোলিনিয়ানা, এ নিলোতিকা অমসুং এ পিন্নাতা হায়রিবশিং অসিদি অশাবা মফমদা হৈনবা মখলশিংনি। মণিপুরগী ঈশিং লৈবা পুখ্রি, পাৎ, খোংবান কয়াদা মরাং কায়না হৌরিবা এজোলাশিং অসিসু অদুমক য়াম্না পাম্নরবা অফবা এজোলা মখলনি। মসি ঐখোয়গী লাইবক ফবনি।

ফৌগীদমক এজোলা করম্না হাপকনি : ফৌ থাবা মতমদা এজোলা অসি থৌওং তোঙান তোঙানবা মওংদা শীজিন্নে। ১) হান্ননা অতোপ্পা মফমদা থারগা লৌফমদা চাইশিল্লগা লৈবাক খোইবদা য়াওশিনবা। ২) ঈশিং লৈবা লৌফমদা ফৌ লীংদ্রিঙৈদা নুমিৎ ১৫-২০ মাঙজৌননা এজোলা হৌহল্লগা ফৌ থারমদাইদা খোইজিনবা। ১শুবা অমসুং ২শুবা অসি গ্রীন মেন্যুরিং তৌবনি নৎত্রগা ৩) ফৌ লীংলবা মতুংদা এজোলা ফৌরক্তা চাইদুনা হৌহনবা লোয়নননা মশা মথনতা পথুহন্দুনা হার ওইহনবা নৎত্রগা নাপি পেংবা মতমদা লৈবাক্তা তোৎশিনবা থৌওংশিং অসি পায়খৎনৈ। ফৌগা এজোলাগা থামিন্নবা অসিবুনা দ্যুএল ক্রোপ্পিং হায়না খঙনৈ। হায়রিবা থৌওং অসি ফৌগী মপুন্সিদা অনীরক এজোলা থাজিনবা নংই। অহানবা হাপ্পদি ফৌ লীংলবা মতুংদা হাপ্তা অমা লৈরগা ঈশিং সে: মি: ৫-১০ লুনা থল্লগা এজোলা থাদগনি লোয়নননা নুমিৎ ২০-২৫নি শুরকপদা ঈশিং নেমথহন্দুনা হাবেংবা মতমদা লৈবাক্তা তোৎনবনি। খরা লৈরগা ঈশিং খরা থাজিন্দুনা এজোলা অমুক্কা থাদবা য়াই। এজোলা মশা মথন্তা পথুদুনা হার ওলহনখিবসু য়াই। অসুম্না পথুখ্রবা মতুংদা নৌনা খরা অমুক থাদবসু য়াই।

এজোলা হাপ্পগী চাং : প্লোট প্লোট শেমদুনা এজোলা য়ামখৎননবা থাবা মতমদদি স্কৱার মিটর অমদা গ্রাম ১০০-৩০০ ফাওবা থাদনৈ অদুগা দ্যুএল ক্রেপ্পিংগীদমক্তদি হায়রিবা এরিয়াসিদা গ্রাম ৫০-১০০ ফাওবদং থাদবদা অদুমক য়াই।

লৈবাক লৈহাওদা পীবা কান্নবা : কট্টক্তা লৈবা সেন্ট্রেল রাইস রিছর্স ইন্সটিট্যুটতা থিজিন হুমজিন তৌবদা লৌ পরি অমদা এজোলা টন ১৫-২০ গ্রীন মেন্যুরিং তৌবা মতমদা নাইট্রোজেন কিলো ২০-৪০ ফংবা ঙমখি অদুগা দ্যুএল ক্রোপ্পিং তৌবা মতমদনা নাইট্রোজেন কিলো ২০-৩০ ফংবা ঙমখি। লোয়নননা অতোপ্পা অমনা গ্রীন মেন্যুরিং তৌরবা মতুংদা দ্যুএল ক্রোপ্পিং অমুক তৌবা মতমদদি নাইট্রোজেন কিলো ৬০-৭০ ফংবা ঙমখি অদুগা অমুকসু গ্রীন মেন্যুরিং মতুংদা এজোলা চাইবদা দ্যুএল ক্রোপ্পিং অনীরক তৌবা মতমদদি নাইট্রোজেন অসি কিলো ৯০ ফংবা ঙমখি।

ফৌথোক্তা কান্নবা : এজোলা গ্রীন মেন্যুরিং তৌবা মতমদা ফৌথোক অসি লৌ পরি অমদা ফৌ কিলো ৫০০দগীনা কিলো ২০০০ ফাওবা অদুগা দ্যুএল ক্রোপ্পিং তৌবদনা ফৌ কিলো ৫০০দগীনা কিলো ১৫০০ ফাওবা হার হাপ্তুনা থাবদগী হেনবা ঙমখি হায়রি। অমরোমদা অমুক য়েংলবসু এজোলাগা ফৌগা থামিন্নবগা নাইট্রোজেন কিলো ৬০ হায়বদি য়ুরিয়া কিলো ১৩০ চাইবগা মান্নে।

এজোলা চাইবদা চেকশিনগদবা খরা : ঈশিংগী চাং : এজোলা মখল খরা নত্তনা অয়াম্বদি ঈশিং কংবা য়াদে। ঈশিং সে: মি: ৫-১০ তাদনা থমগনি। ঈশিং চাওবগীদি অকায়বা লৈতে। ফৌ থাবদদি ঈশিং চাওমল্লবদি মচা পোকপা হন্থে।

নুংশা : অশংবা মনানা মচিঞ্জাক শুংবা মরম্না নুংশা মঙাল তঙাইফদে। এজোলা য়োক্তুনা থাবা মতমদা নুংশা মঙাল নিংথিনা ফংবা মফম খনগনি। নুংশা য়াম্নমক কন্না শাবা মফমদা উরুম হাইফেৎ চঙবদি ফৈ।

মৈশা/টেম্পরেচর : সেলসিঅস ২৫-৩০না য়াম্নমক চানবা ওই। অদুবু পিন্নাতা মখলদি সেলসিঅস ১৪-৩৫ ফাওবা নিংথিনা হৌবা ঙম্মী।

ফোসফরস : লৈবাক্তা ফোসফরস নিংথিনা য়াওবা মতমদা এজোলা নিংথিনা হৌবা ঙম্মী। মরম অদুনা এজোলা থারিবা মফমদা ঈশিংদা ফোসফরস খরা চাইবা অদুম্মক কান্নে।

নীম চাইবা : নীম কেক চাইবা মতমদা এজোলাগী পোত্থোক্কী চাং হেনগৎপগী পাউদমসু লৈ।

থমজরিবা খরা অসি এজোলা পোত্থোক পুথোক্লবা থাবগী পান্বেশিংনি।

অতোপ্পা কান্নবা খরা : এজোলা অসি মীওইবনা সলাদ ওইনা চাবদা কান্নবগী পাউদমসু লৈ। শা-ষণশিংদা পীজবদা শঙ্গোম হেন্না থোকপগী পাউদমসু লৈ। ঙানু, য়েনশিংদা পীজবদসু কান্নবা য়াম্না ফংই।

এজোলা কম্পোষ্ট শেমদুনা থারিবা মনা মশিংদা চাইবদসু অদুমক কান্নবা ফংই।

অসুক কান্নরবা পাম্বী অসি মণিপুরগী পুখ্রি, পাৎ, তুরেলশিংদা শীজিন্নদনা অরেম্বদা পৎতুনা মাঙলিবা অসি নিংথিনা শীজিন্নরবদি মসিগী কান্নবা অদুমক ফংগনি খল্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।